# বিষ্ণুপুরদা 'ইচানুপীগীদমক' লমজেল চেনখিবা

- লৈশাংথেম অজিৎ -

মালেমগী মফমশিংদা মরুওইনা চাওখৎপা লৈবাকশিংদা অশাংবা লমজেল চেনবগী ঈহৌ অমা লাক্লিবশিং অসিগা ইরোইননা লমদম অসিদসু ঈহৌ অসি লাপতক্লা অদুমক মতুং ইন্দুনা লাক্লিবা অসিদা অনৌবা ইথিল অমগা লোয়ননা বিষ্ণুপুর দিষ্ট্রিক্ট এদমিনিষ্ট্রেসনগী দেপ্যুটি কম্মিস্নর ওইরিবী নিতা অরাম্বম অমসুং দিষ্ট্রিক্ট অসিগী সুপরিন্টেন্দেন্ট ওফ পুলিসকী ফম পায়রিবী প্রিয়াদর্সিনি লাইশ্রমগী লমজিং মখাদা 'বেটি বচাও, বেটি পরহাও' হায়বা পান্দমদা হৌ-খবা নোংমাইজিং নুমিৎ সেপ্টেম্বর ১৫, লাংবন থাগী ১৬নি পানবা নুমিত্তা মোইরাংগী সেন্দ্রা চীংখোঙদগী লমথারগা দিষ্ট্রিক্ট অসিগী হেদ ক্বার্টরসকী লম্পাক্তা 'ইচানুপীগীদমক' হায়না মীংথোনবা হাফ মরাথন অমা পাঙথোক্তুনা লৈবাক মীয়ামদা অচৌবা পাউজেল অমা পীবগা লোয়ননা লমদম অসিগী শান্নরোয়শিংবু মপূক্লিং থৌগৎপীবা অমদি মখোয়বুসু মথৌনা হেনগৎহনবগী থৌনা অমা পীবিবগা লোয়ননা লৈবাক মীয়ামদা শান্ন-খোৎনবগী লম্দা অপাম্বা পোকহনবা ঙম্বগী অচৌবা মচল অমা ওইরি।

হাফ মরাথন অসি ওলিম্পিক্কী থৌরম অমদি নত্তে তৌইগুম্বসুং লমশাং অসিগী লমজেল অসি মালেমগী মীয়াম্না খ্বাইদগী পাম্নবা লমজেল ওইরি হায়বা মীয়াম্না খঙনরি। মালেমগী অচৌবা সহরদগী অপিকপা সহর খুদিংমক্তা হাফ মরাথনগী অচৌবা ঈহৌ কন্না লৈরক্লিবা অসি লৈবাক মীয়াম্না হান্নদগী খঙবীরি। হাফ মরাথনগী মালেমগী রেকোর্দ থুগাইনবা লমজেল্লোয়শিংনা মমাঙদা পান্দম অমা থমদুনা কন্না হোৎনরিবা খিবিকনি। 'ইচানুপীগীদমক' হায়না বিষ্ণুপুরদা পাঙথোক্লিবা নুমিৎ অসিমক্তদা লমশাং অসিগী লমজেল অমা দেনমার্ককী কোনুং কোপেনহেগেন্দা পাঙথোকখিবদা কেনিয়াগী লমজেল্লোয় জিওফ্রি কিপশাঙ কামৱোরোরনা মালেমগী রেকোর্দ মিনট ৫৮.০১দা থুগাইখি। মালেমগী মমিং চৎপা অতৈ কেনিয়া মচা লমজেল্লোয়শিংগী পোক্নফম ওইরিবা 'রিফ ভেল্লি' দা পোকখিবা জিওফ্রি কিপশাঙ কামৱোরোরগী রেকোর্দ অসি ইন্টরনেসনল এসোসিয়েসন ওফ এথলেটিক্স ফেদরেসন (আই এ এ এফ) গী রেটিফিকেসন অমদি মথৌ তারি।

মহাক্না ৱর্ল্ড ক্রোস কন্ট্রি লমজেলদা কুমজা ২০১৫দগী ২০১৯ ফাওবদা সনাগী মেদল অনীরক, লুপাগী অহুম অমদি শেঞ্জেংগী অমা ফংখ্রে। কুমজা ২০১২দা মশাগী ওইনা মরাথন খ্বাইদগী য়াঙনা পুং ২গা মিনট ৬ সেকেন্দ ১২দা চেনখিবনি। নুপীশিংগী ওইনা ক্রোস কন্ট্রিদা ৱর্ল্ড রেকোর্দ পায়রিবদি অতোপ্পা কেনিয়া মচা কোয়সিলিন কেপকোরজিনি। মহাক্না ভালেনসিয়াদা কুমজা ২০১৭কী ওক্টোবর ২২দা থমখিবা হাফ মরাথনগী রেকোর্দদি পুং ১ মিনট ৪ সেকেন্দ ৫১নি।

লমজেল্লোয় অয়াম্বনা হাফ মরাথন অসি য়াম্না পামনৈ। মরমদি লমশাং অসি চেনবা য়াম্না নুংঙাই, ফুল মরাথনগুম্না ত্রেনিং মতম য়াম্না চঙদে, মরাথনগা হাফ মরাথনগা খেন্নবা খরদি লৈ। মরাথন অশেংবনা হেন্না ঈজৎ লৈ। অদুবু গ্রেট নোর্থ রন হায়না খঙনবা হাফ মরাথন অদুদদি লমজেল্লোয় ৫০,০০০না শরুক য়াখি। লমজেল্লোয় মশীং য়াম্বদা মালেমগী খ্বাইদগী চাউবা লমজেলনি হায়না লৌনখি।

বিষ্ণুপুর দিষ্ট্রিক্ট পুলিসনা শীন্দুনা পাঙথোকখিবা থৌরম অদুদা নুপাগী লমজেল্লোয় ৪০০ রোম অমসুং নুপী লমজেল্লোয় ৫০না শরুক য়াখিবা লমজেল অদুদা য়াওপো কোলোনিগী এল আর লুথরনা মিনট ৫৯ সেকেন্দ ৫৩দা লমথুংফম য়ৌদুনা নুপাগী খ্বাইগী মকোক ওইখিদুনা লুপা ২৫,০০০গী মনা ওইনা খূৎশিন্নখি। নুপীগী কাঙলূপ্তা লুৱাংশংবমদগী এন চাওবনা পুং ১ মিনট ১৭ অমসুং সেকেন্দ ২৭তা লমথুংফম য়ৌখিবা মতমদা মহাক্কী নক্নবা লম্বা য়াইরিপোক্তগী এম কে মিনারাসিনা পুং ১ মিনট ১৭ সেকেন্দ ৩৪গী মনুংদা থুংলদুনা য়াম্না নক্ননা অনীশুবা পোজিসন তাখি। অহানবা অমসুং অনীশুবা তাখিবী লমজেল্লোয় অনী অসিগী মরক্তা সেকেন্দ ৭ খক্তগী খেন্নবা লৈখি। লমজেল অদুদা মকোক মথং তারকপশিংদা পীখিবা শেলগী মনা নুপা অমসুং নুপীগী খেন্নবা লৈখিদে। অহানবা মনা ফংখিবশিংদা লুপা ২৫,০০০, অনীশুবা মনাগী লুপা ১৫,০০০, অহুমশুবা পোজিসন ফংখিবশিংদা লুপা ১০,০০০গী শেলগী মনা পীখিবগা লোয়ননা মরিশুবা তাখিবদগী নিপানশুবা পোজিসন ফংখিবশিং ফাওবদা লুপা লিশীং ২/২গী শেনফমশিং শিন্নখি। লমজেল অদুদা লমথুংফম য়ৌরকপা খুদিংমক্তা শরুক য়াখিবগী সার্টিফিকেট পীখি।

নুপাগী কাঙলূপ্তা অহানবা পোজিসন ফংখিবা এল আর লুথর লৈফম য়াপো কোলোনি, মহাক্না চেনখিবগী মতম মিনট ৫৯:৫৩; অনীশুবা পোজিসন্দা কে ঐচ রোমাজিৎ খুন্ত্রাকপমনা পুং ১ সেকেন্দ ৫৭, অহুমশুবদা এস রোমেস শামুরৌনা পুং ১ মিনট ২ সেকেন্দ ৩৩নি। মথং তারকপা পোজিসনশিংদি মরিশুবদা ঙাচানসো চামরোই সলাং ভিলেজ, মঙাশুবদা কে ঐচ হেরোজিৎ নারানসেনা, তরুকশুবদা এম দি সাহিদুর রহমন লিলোংদগীনি। অমরোমদা লুৱাংশঙবমদগী এন চাওবনা নুপীগী থৌরমদা মকোক ওইখি। মহাক্না লমশাং অদু পুং ১ মিনট ১৭ সেকেন্দ ২৭তা লমথুংফম য়ৌনা চেনখি। মহাক্কী নক্নবা লম্বা য়াইরিপোক্তগী এম কে মিনারাসিনা পুং ১ মিনট ১৭ সেকেন্দ ৩৪দা লমথুংফম য়ৌদুনা অনীশুবদা লাকখি অমদি অতোপ্পা লমজেল্লোয় য়াইরিপোক্কী এস প্রেমিলানা অহুমশুবা পোজিসন ফংখি। মহাক্কী মতমদি পুং ১ মিনট ১৮ সেকেন্দ ১১নি। মথং তাখিবা পোজিসনশিংদি মরিশুবদা টি ঐচ ববিনা মোইরাং, মঙাশুবদা খাবমদগী এন সুনিতা অমসুং তরুকশুবদা হাওরৈবীদগী ৱাই অশংবীনি।

বেটি বচাও, বেটি পরহাওগা মরী লৈনবা থৌরমশিং ইন্দিয়াগী ষ্টেটশিংদা খেন্ন-খেন্নবা মওংদা তোঙান তোঙানবা গভর্ণমেন্টকী দিপার্টমেন্টশিং অমসুং প্রাইভেট সেক্টরশিংদা পাঙথোকই। হিমাচল প্রদেশকী সিমলাদা দিপার্টমেন্ট ওফ য়ুথ সার্ভিসেস অমসুং স্পোর্টসনা রিদজদগী সম্মর হিল চোক ফাওবা মীয়ামগী ওইবা লমজেল চেলহল্লি। মুম্বাই সহরগী মফম কয়াদা সেভ দটর-এদ্যুকেদ দটর, ইচানুপী কনবীয়ু-ইচানুপীবু মহৈ তমহনবীয়ু হায়বা ৱাহৈশিং অসিনা মীয়াম্বু ৱাখল তাহল্লি। কাশ্মীরগী অদমপুরদা ওগষ্ট ২৭তা বেটি বচাও, বেটি পরাওগী থৌরমশিং পাঙথোকখি। মুম্বাইদা দিসেম্বর ১৯দা থৌরম অমা পাঙথোক্কনি।

ইন্দিয়া লৈঙাক্না নুপীমচাশিংবু চেকশিন্না, নুংশিনা য়েংবীনবা মখোয়বু অফবা মায়কৈদা লমজিংবীনবা মশা-মউ ফহনবগা লোয়ননা পূক্লিং ৱাখলসু নুংঙাইনা থম্বীগদবনি হায়না মীয়ামদা পাউজেল পীরি। পাউজেল অসিগী মতুংইন্না পীক্লিবা নুপীমচাশিংবু ঙাকপী শেনবীগদবনি, মখোয়দা নম হাদুনা অকি-অখং তৌরকপশিংদগী ঙাকথোকপীগদবনি। মমাগী মবুক মনুংদা লৈরিবী নুপীমচাশিংবু নুপী পোকপা পামদে হায়দুনা হাত্তোকপীরোইদবনি অমসুং নুপীগা নুপাগা অনীগী মরক্তা খেন্নবা হেক য়ারিবমখৈ থল্লোইদবনি। অসিগুম্বা পাপকী মশক ওইরবা থৌদোকশিংবু থিংনবা ইন্দিয়া লৈঙাক্না 'বেটি বচাও, বেটি পরাও' হায়বা থৌরম অসি লৈবাক শিনবা থুংনা পায়খৎলিবা অসিদা বিষ্ণুপুর দিষ্ট্রিক্টনা শান্ন-খোৎনবগা মরী লৈননা পাঙথোক্লিবা অচৌবা থৌরম অসিমক তমজনীংঙাই ওইরি। ●

# মণিপুরগী মাঙখ্রবা লিগেসি - মর্জর এগ্রীমেন্ট - ১

- ডা. টি ঐচ সুরেস -

ঙসিদগী চহী ৭০গী মমাঙদনি (কুমজা ১৯৪৯, সেপ্টেম্বর ২১) বোধচন্দ্র মহারাজগা Dominion of India গা মর্জর এগ্রীমেন্ট সাইন তৌনখিবা অদু। মর্জর এগ্রীমেন্টকী নুংগী ওইবা ৱাফমদা লাকত্রিঙৈগী মমাঙদা অইবনা মণিপুরগী অচুম্বা histori-cal perspective অদু পাবীরিবশিংদা অমুক্তা থমজখিগে। মর্জর তৌদ্রিঙৈগী মমাঙদা মণিপুরগী ফীভম করি ওইরম্মী হায়বসি his-torian, educationist অমদি intellectual শিংনা খঙবীদবসি য়াম্না লাইবক থীবনি। মসিগী মরমদি ঐখোয়গী ফাওরবা history অসিবু in-depth research তৌদুনা নুংগী ওইবা ৱাফম খঙবা ঙমদবগীনি। অদুনা ঐনা অতম্ননা মখাগী ৱাফমশিং অসি থমজরি :

১) হিষ্টোরিয়ন অমদি স্কোলর কয়ানা পব্লিশ/অনপব্লিশ পুয়া কয়া অমদি ত্রেদিসনেল সোর্সশিংদা থিন্দুনা, চাওরাক্না ৩০০০-২৫০০ বি সী অদুৱাইদা মণিপুরদা নিংথৌশিং/Principalities কয়া পাল্লম্মী হায়রি। অদুগা মখোয়শিং অদু হৌজিক্কী কংলাদা পাল্লম্বা নিংথৌশিংগী মখাদা লৈরম্বা নত্তে, তোঙান তোঙান্না পাল্লম্বনি। মতম অদুবু Hangkok era হায়না খঙনৈ, অদুগা নিংথৌ ১০৮না Hangkok era গী তোঙান তোঙানবা মতম ৪দা পাল্লম্মী হায়রি। নিংথৌ/chieftain ১১১ অমসু Chak era দা পাল্লম্মী হায়নসু ইরি।

২) ইতিহাসিক ওইবা কংলাদা পাখঙবনা ৩৩ এ দি অৱাইদগী পানবা হৌরকপদগী হৌজিক্কী ওইরিবা মণিপুর অসি তপ্না তপ্না শেমগৎপা হৌরকখি। চীংশিংবু পুনশিন্নবা হৌরকখিবসি নিংথৌ থৱানথাবনা চীংশোং চীংদা ১১৯৫ এ দিদা লান্দাবা অদুদগীনি (ওথর কয়ানা ১৩০২দা মরিং চীংদা লান্দাবদগী হৌবনি হায়বদু হায়রম্বনি)। মসি নিংথৌ থৱানথাবনা ৫১৪-৬৫ এ দিদা পাল্লম্বদগী হৌরম্বসু য়াই। করিগুম্বা ঐখোয়না ইকুই কুইদনা কোইবু মরিং খুন্দা stone inscription অমা ফংবদুদা থাজরবদি।

৩) তম্পাক্তদি মসি কংলাদা পানবা নিংথৌজা শাগৈনা অতোপ্পা শাগৈ ৬পু নমথবা হৌরকপদগীনি। মসি নাওখোম্বা নিংথৌনা ফোর্থ সেঞ্চুরিদা পানবদগী হৌরগা নিংথৌখোম্বা নিংথৌনা মোইরাং লৈবাকপু 14th century ময়ায়দা লৌশিনবা অদুদা লোইশিল্লি।

৪) হৌরকপদদি, চীংমীশিংগা মৈতৈ নিংথৌগগী মরী অসি মরুপ ওইনা নৎত্রগা মখা পোনবা ওইনা ওইরম্মী, মথংদদি কংলা নিংথৌশিংনা মপাঙ্গল কনখৎলকপগা লোয়ননা চীংমী পুম্নমকসু লোই চল্লম্মী।

৫) ওফিসল ওইবা 1st Manipur British মরী অসি মহারাজ জায় সিংহনা বৃটিশকা ৪/৯/১৭৬২দা দিফেন্স কম ত্রেদ ত্রিটি অহানবা ওইনা খূৎয়েক পীনবা অদুনি। চহী ৭ খুন্তাকপা (১৮১৯-২৫) মতুংদা গম্ভির সিংনা এপ্রিল ১৮২৪দা গম্ভির সিংহ লেভি লিংখৎখিবদগী অসুম ফোর্মেলাইজ তৌবা অদু হৌরকখি। গম্ভির সিংহগী মতমদা ইনখিবা The Agreement regarding the Kabo Valley (9th Jan) অমসুং Agreement regarding compensation for Kabo Valley - 1834 (25th Jan) অদুনা মরম ওইদুনা কবো ভেল্লি মতম খরগী ওইনা বর্মাদা পীথোকখি (টোপিক অসি অতোপ্পা আর্টিকল অমগী ওইনা থম্লি)। অদুবু মসিমদি শেংলে মদুদি বৃটিশনা ঐখোয়গী দিফেন্স অমদি এক্সটর্নেল এফ্যেরসতা খূৎ হেন্না হেন্না থিংজিল্লক্লে হায়বসি। হায়রিবা ফীভমসি নরসিংহনা পানবা মতম ফাওবা ওইরম্মী, মতমদু ফাওবা ইন্টরনেল এফ্যেরসতা খূৎ থিংজিল্লমদে।

৬) হায়রিবা ফীভম অসি চন্দ্রকির্তিনা পানবদগীদি থুনা অহোংবা অমা লাকখি। চন্দ্রকির্তিনা পানবা অহানবা চহী ১৬ অদুগা নিংথৌ মচাশিংনা ১০রক লাল হৌরক্তুনা নিংথৌ অসি য়াম্না অশোনবা ফীভমদা লৈখি। মতমদুদা বৃটিশনা মণিপুরবু কুমজা ১৮৫১দা British Protectorate state and an Asiatic Power in Alliance with the Queen হায়দুনা বৃটিশকী সাইদতগী লাউথোক্তুনা কন্দিসন খরসু নিংথৌদা থমখি। মসিনা বৃটিশনা নিংথৌগী মখাদা ইন্টরনেল এফ্যেরসতা খূৎ থিংজিনবা অহানবনি।


৭) অদুবু ফীভম অসি খোংজোম লান মতুংদা বৃটিশনা কংলা ২৭/৪/১৮৯১দা লৌশিল্লুবদগী অহোংবা ফীভমদা লাকখি। বৃটিশনা লাল মতুংদা মণিপুর লৌশিনগদ্রা লৌশিনলোইদ্রা হায়না কূপ্না নৈনরবা মতুংদা এনেক্স তৌররোই হায়না লেপ্পখি - মসি British India's resolution to the re-establishment of the native rule under such condition..." - হায়বসিনা ময়েক শেংনা উৎলি। অদুনা চুড়াচান্দ মহারাজ নেটিভ কিং অমা ওইনা লৈখি (হায়বদি ইন্দিয়াদা পাল্লিবা অতৈ প্রিন্সলি ষ্টেট অমগুম্না, হায়রিবা ফীভমসি বোধ চন্দ্রগী মতমদসু ইন্দিয়াদা ১৫/১০/১৯৪৯দা মর্জ তৌদ্রিফাওবা অদুম লৈখি।

৮) বৃটিশ অম্পয়রনা অতৈ লৈবাকশিংগা প্রোটেক্টোরেট ষ্টেট অমসুং ভেরিয়স ট্রিটিস/এল্লাইয়েন্সকী মতাংদা অইবনা কূপ্না নৈনদ্রবসু (মথংগী আর্টিকল/বুক্কী ওইনা থল্লে), মসিমদি শেংলে মদুদি দিফেন্স, এক্সটর্নেল এফ্যেরস অমসুং কম্যুনিকেসন নত্তনা মণিপুর অসি মনীং-মখা তম্বা প্রিন্সলি ষ্টেট অমা ওইনা লৈরম্মী। হোয় মতম মতমগী ওইনা বৃটিশনা ঐখোয়গী ইন্টরনেল এফ্যেরসতা খূৎ খরা থিংজিনবদি তৌরম্মী। হায়রিবসি চন্দ্রকির্তিগী মতমদা য়াম্না য়াল্লমদে, অদুগা চুড়াচান্দগী মতমদনা খ্বাইদগী হেল্লম্মী। বোধচন্দ্রদি অশোইবা কয়া লৈজরবসু শিলোংদা লৈবা অসাম গভর্ণরশিংদগী প্রেসর কয়া ঙাকলোন তৌরম্মী ইন্দিয়াদা মর্জ তৌদ্রিফাওবা। নরা সিংহগী মতম ফাওবা বৃটিশনা ঐখোয়গী ইন্টরনেল ওটোনোমিদা খূৎ থিংজিল্লমদে হায়বসি পুৱারীনা খুদম চাংদম ওইরি।

৯) সেরিএল নম্বর ৭না হায়খিবদুনি, এঙ্গলো-মণিপুরী ৱার মতুংদা মণিপুরদা বৃটিশ রুল লৈরমদে হায়বসি ঐখোয়না শেংনা খঙগদবনি। অদুবু লাল মতুংদদি মণিপুরীশিংনা লাল অমুক হৌরক্কনি কিবদগী বৃটিশকী মীশিং অমদি সিফাইশিং মশীং য়াম্না হেনগৎলম্মী। চীংমী তম্মীগী মরক্তা দিভাইদ এন্দ পোলিসি রুল শান্নরম্বা অদুনা মসিগী শেংলবা খুদমনি। কুমজা ১৯৪৭কী ওগষ্ট ১৫দা বৃটিশনা মণিপুর থাদোকখ্রবদা মখোয়গী Paramountcy power অদু Indian Dominion দা শিন্নরম্মী। অদুনা শিলোংদা লৈবা অসাম গভর্ণরনা হায়রিবা পৱারসি বৃটিশ লৈরিঙৈদা তৌবগুম্না Dominion India গী মখাদা লৈরিঙৈদসু তৌরম্মী। ইন্দিয়াগী কন্টেক্সতা Paramountcy হায়বসি বৃটিশ পৱাররনি - মসিনা Treaties, Engagements & Sanads ময়াম অমা সাইন তৌনদুনা নেটিভ ষ্টেটশিংবু খূৎ পুনশিল্লি। নেটিভ ষ্টেট ৬০০ লৈবগী মনুংদা ৪০ অমনা ত্রিটিস লৈ, মণিপুরসু মদুগী মনুংদা অমনি। লেমহৌরিবা অতৈ ষ্টেটশিং অদুনা Engage-ment and Sanad শিং লৈ। অদুম ওইদুনসু, বৃটিশনা মণিপুরগী নিংথৌশিংদা Sanad কয়াসু পী। হায়রিবসি ৱর্ল্ডগী countries/states/regions/autonomous region শিংগী ওইনসু Brit-ish Paramountcy অসি অসুম হায়না অদুম চৎনহল্লি।

১০) বোধচন্দ্রনা পানবা মতমসি অফ-ফত্ত কয়া থোকখিবা মতমনি। তুংগী হিষ্টোরিয়নশিংনা মতম অসি কূপ্না স্ক্রুটিনাইজ তৌবীগদবনি, অদুগা থাগৎপা য়াবা মফমদা থাগৎপীগদবনি, য়াদবা মফমদা ক্রিটিসাইজ তৌবীগদবনি। মাগী হায়ফম খঙদবা কেরেক্টর অদুদা, মহাক্কসু মরুপ ওইবা অসাম গভর্ণরনা হায়রকপা থবক কয়া তৌদনা খাঙখি। খুদম অমদি - প্রিয়ব্রতবু ঐখোয়গী দেৱান (প্রাইম মিনিষ্টর) ওইনা খনবদুনি। Governor Sir Ak-bar Hydary না Dominion Agent মুখৎলগা প্রাইম মিনিষ্টরগী ওফিস লিংবা পাম্লম্মী। মদু অহানবদা মহারাজনা য়ারমদে, অদুবু গভর্ণরনা তোইনা তোইনা এসুরেন্স পীরবদা মহাক্না য়ারম্মী। মতুং তাবদা কুমজা ১৯৪৮গী ওগষ্ট ২০দা Governor Do-minion Agent মুখৎলগা দেৱানগী ওফিসতু লিংখৎলম্মী। মখা তানা মহারাজনা Vide Palace order No. 46.P.11 dt. 29/11/1948 না, প্রিয়ব্রতবু চীফ মিনিষ্টর ওইবগী মথক্তা অহানবা দেৱান ওইনা এপোইন্ট তৌরম্মী। গভর্ণরনা মহারাজকা কয়াম লুনা তিন্নরমবগে হায়বদু, মুসলিম অমা ওইজরবসু Sir Akbar Hydary অদু লৈখিদ্রবা মতুংদা ঐখোয়গী কংলাদা ফুম্লম্বা অদুনা খুদম চাংদম ওইখি। মদু হৌজিক ফাওবা লেংদনা লৈরি।

১১) মর্জর তৌদ্রিঙৈগী মমাঙদা লৈরম্বা মীয়াম্না খঙদবা হিষ্টোরিকেল ফেক্টশিং : বৃটিশ প্রাইম মিনিষ্টরনা লাউথোকখ্রবা মতুং অমদি ইন্দিয়ন ইন্দিপেন্দেন্স বিল অদু Royd assent 18/7/1947 তা পীখ্রবা মতুংদা মণিপুরদা পায়রিবা মফম-মরাং খঙদবা পোলিটিকেল ক্লাউদশিংদুদি - i) ইন্দিয়াগী প্রাইম মিনিষ্টর লৈবা নেটিভ ষ্টেট ৩গী মনুংদা মণিপুরসু অমনি; অতৈশিংদুদি হায়দ্রবাদ অমসুং কাশ্মীরনি। অইবগী ৱাখল্লোন্দা Governor Hy-dary না হৌজিক্কী ভুটানগুম্বা, ফুল ওটোনোমি অমা লৈহৌনবা শেম-শাবা মাল্লি; হায়বদি দিফেন্স, ফোরেন এফ্যেরস এন্দ কম্যুনিকেসন খক Dominion of India দা পীরগা, মণিপুরদা ফুল ইন্টরনেল ওটোনোমি লৈহৌবা। আইদিয়া অসিদি Gov-ernor Hydary না মনুং মতম চাদনা কুমজা ১৯৪৯গী অঙনবা শরুক্তা লৈখিদবা অদুগা লোয়ননা অদুম মাঙখরে। মসিমসু অচুম্বনি মদুদি গভর্ণর অদু মণিপুরবু য়াম্না নুংশিজবা অমনি, অদুনা মহাক্না মণিপুরদা য়াম্না তোয়না তোয়না লাক্লম্মী। চীফ মিনিষ্টরদগী হেন্না চাউবা প্রাইম মিনিষ্টর অমসুং মসিগী ওফিস অমা মণিপুরদা লৈরম্মী হায়বসি ঐখোয় কনা অমত্তনা খঙলমদে। ii) Gov-ernor Hydary গা তৌনবা এগ্রীমেন্ট : প্রিয়ব্রতনা লুচিংবা মণিপুর দরবারগা গভর্ণরগা ২৯/০৬/১৯৪৭তা পোইন্ট ওফ এগ্রীমেন্ট অমা তৌনরম্মী। মদুদা য়াওরিবদি, দিফেন্স, ফোরেন রিলেসন এন্দ কম্যুনিকেসন অলোং ৱিথ ত্রেদখক ইন্দিয়ন য়ুনিয়ন্দা পীরগা মতমদুদা লৈরম্বা মণিপুরগী ইন্টরনেল ওটোনোমি অদু অদুম লৈহনবা অসিনি। মখা তারকপদা কবো ভেল্লিগী কম্পেনসেসনগী মতাংসু মখা তানা লৌখৎপা য়ানরম্মী। iii) মণিপুর কন্সটিট্যুসন এক্ট ওফ ১৯৪৮গী মখাদা মেম্বর ৫৩ লৈবা অহানবা ইলেক্সন অদু ১১/০৬তগী ২৭/৭/১৯৪৮দা পাঙথোক্লম্মী। মহারাজনা এসেমব্লি অদু মিনিষ্টর ৭ ৱাশকপগা লোয়ননা দরবার হোলদা ১৮/১০/১৯৪৮দা শঙ্গারম্মী। মদুদা প্রিয়ব্রতনা অহানবা চিফ মিনিষ্টর অমদি T.C. Tiankham না অহানবা স্পিকর ওইরম্মী। Adult Franchise তা বেজ তৌবা ইলেক্সন অদু মণিপুরদা নত্তনা ইন্দিয়ন সব-কন্টিনেন্টতা অহানবা ওইরম্মী। iv) বৃটিশনা মণিপুরবু কৈদৌনুংদা লৌশিল্লমদে : দিফেন্স, ফোরেন রিলেসন এন্দ কম্যুনিকেসন্না বৃটিশকী খূৎতা লৈরগা, মণিপুরদি য়াম্না ভাইব্রেন্ট ওইবা ইন্দিপেন্দেন্ট নেটিভ ষ্টেট অমা ওইনা লৈরম্মী হায়বসি সেরিএল নম্বর ৭, ৮, ৯দা ময়েক লানা থমজখ্রে। অদুনা বৃটিশনা কংলা লৌশিল্লবা মতুংদা মখোয়না মণিপুরগী লৈঙাকসু লৌশিল্লি হায়না historian/educationist/intellectual কয়ানা ইরিবা/রিফরেন্স পীরিবসি অরানবা অমনি অমদি হিষ্টোরিগী in-depth knowledge ৱাৎপননি। অইবদা ঐখোয়গী হিষ্টোরিগী finer point শিংগী মতাংদা মণিপুরগী হিষ্টোরিয়নশিংনা লেপ্পা ফিরেপশিং খল্লুবদা অঙকপা অমা হেক হেক ফাওই। ঐনা থমজ রিবা ৱাফমদি - তোইনা তোইনা ইবা/হায়বা "British Ruled Period" হায়বসি "British Stayed Period" হায়দুনা রিফর তৌগদবনি, i.e. British Sepoys/officials হেন্না লৈরম্মী হায়বনি। v) Instrument of Accession and Standstill Agreement : মসি ১১/০৭/১৯৪৭তা তৌনখিবনি। মসিগী মতাংদসু হিষ্টোরিয়ন/স্কোলর কয়ানা পল্লিবদি ২ অসিবু সাইন তৌখ্রবদি মণিপুর ইন্দিয়াদা তিল্লবনি হায়বসিনি। মসিসু অমুক য়াম্না খঙজদবা ৱাফমনি। মসি ইরায় লায়না কাউন্টর তৌবদি - অকোনবদা অমুক মর্জর এগ্রীমেন্ট তৌনবগী মথৌ করিনো, অহানবগী ২ অদুনা লোইবা য়ারবদি? চরাংনবা পোলিটিকেল সিনারিও অদুদা মণিপুরগুম্বা কমপ্লিকেটেদ ষ্টেটশিংদা মর্জর এগ্রীমেন্ট অদু য়াম্না মথৌ তাখি, অদুনা প্রিন্সলি নেটিভ ষ্টেট ২০না মদু অমুক সাইন তৌনখি। ●




### হুইয়েন লানপাউ লিটরেরি ক্যুইজ-১০৪

১। ঐখোয়গী পুৱারীদা কাউবা য়াররোইদবা মীশকশিংগী মনুংদা নিরঞ্জন সুবেদারসু অমনি। মহাক মৈতৈ নত্তে, নেপালিনি, ছেত্রি শাগৈনি। মাবুসু সাহেবনা ফাঁসি তৌদুনা হাৎখিবনি।
(ক) মহাক ফাঁসি তৌখিবদু কুমজা ১৮৯১গী করি থাদনো?
(খ) মাবু পোকপা অপোকপগী মমিং করি কৌবগে?

২। "ফনা নুংশিবা কোকিলগী খোঞ্জেলসু ওইসনু। ... নূংনা শাবা থম্মোয়দা অরেম্বা ওইগনি।" ৱাফম অসি উপন্যাস, 'কালিমাই মমাঙদা লাইবক কৎপসু য়াওই, কত্তবসু য়াওই' হায়বা অদুদগীনি। অইবদু কনানো হায়য়ু।

৩। "শেন্দাং মচা অমা/পাইথোক্লককই পাইবা ঙম্বোই ঙমদবোই লৌবুক্তা/খুনুং খরং অমনা তাপ লাকখি।" পরেং অহুম অসিনা, 'বসন্ত ওইগেরা, নাকেন্থা ওইগেরা' কৌবা শৈরেং লাইরিক অদুদগী লৌথোকপনি। কবি অদুগী মমিং হায়য়ু।

৪। "মচা পোকমিন্নরিবা মাগী নুপীবু হাৎকে হোৎনবা নুপা অমতা তাইবঙপানসিদা পোকহনবীরনু। মীগী নুপাবু ফাদুনা মৱা ওইবা ঙন্বী নুপীসু অমতা পোকহনবীরনু।" ৱাফম অসিমনা 'অহিংসিনা লোইদ্রিঙৈ' কৌবা উপন্যাস অদুদগী লৌথোকপনি। অইবীদু কনানো?

৫। "ঐগী নুংশি লম্বীদা/মাবু অমুক উররোই/মরক মরক মঙলান্দা/লাকপা নত্তনা লাক্লরোই।" পরেংশিং অসিনা মমিং লৈরবা ঈশৈ অমগী অহৌবা পরেংশিংনি। অইবদু কনানো?

মথক্তা পীরিবা ৱাহংশিং অসিগী পাউখুম সেপ্টেম্বর ৩০, নিংথৌকাবা নুমিৎকী অয়ূক পুং ১১ ফাওবগী মনুংদা পাউচে অসিগী ওফিসতা নৎত্রগা ঈ-মেল ***hueiyenliteraryquiz@gmail.com*** সিদা মেল ওইনা থাবীরকপা য়াগনি। পাউখুম পীবিরকপা/থাবীরকপা মতমদা মিং, লৈফম, মহৈগী থাক অমসুং কন্টেক্ট নম্বর ময়েক শেংনা ইবিরকউ। ৱাহং খুদিংমক্কী পাউখুম চুম্না নৎত্রগা মশীং য়াম্না চুম্না পীবিরকপা মীওইশিং অদুদগী দ্রো ওৎচরগা লাইবক ফবা মীশক অমা খনজগনি। লোয়ননা খল্লবা মীশক অদুদা মনা পীজগনি।

পাউচে অসিদা ফোঙদরিবা ৱারেংশিং অসিগী ৱাখল, মীৎয়েং অহবা মশা মশাগিনি। পাউচে অসিগী ৱাখলোন অমসুং মীৎয়েংগা থোইদোক্লা মরী লৈনদে।